ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯱꯵, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, ওগষ্ট ১৫, ২০১৭, ইম্ফাল

৪১ শুবা চহী, ১৪২ শুবা মশীং

# য়ু এন সীগী ট্রাইপর্টাইট টোক

### *দিষ্ট্রিক্ট ৭ হন্দোকপগী দিমান্দ ময়াই চন্লে হায়না লৌফম থোকই*

**ওক্রম** ইবোবীনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা হান্না দিষ্ট্রিক্ট ৯ লৈরম্বদগী অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট ৭ অমা হাপচিনখিবা থৌওং অদু য়ারোই হায়না য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না য়াম্না কন্না প্রোটেষ্ট তৌখি। প্রোটেষ্ট অদুগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী লাইফলাইন ওইরিবা নেসনল হায়ৱেশিংদা ইকনমিক ব্লোকেদ চথখি। মণিপুরগী পুৱারীদা খ্বাইদগী শাংনা চথখিবা ইকনমিক ব্লোকেদসু মদুনা ওইখি। লাইবক ফবা হায়গদ্রা নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা অনৌবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা লাকখিবদগী ইকুই কুইদনা ৱারী শানরগা ইকনমিক ব্লোকেদ অদু হন্দাকখি। দিষ্ট্রিক্ট নৌনা শেমখিবদু রোল বেক তৌবগী মতাংদা মায়কৈ অহুম হায়বদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট, মণিপুর লৈঙাক অমসুং য়ু এন সীগী ওইবা ৱারী শানবা হায়না য়ানরবা তুংদা নুমিৎ ১২০ হেন্না চথখিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অদু লোইশিনখি। ইকনমিক ব্লোকেদ লোইশিনখিবগা ঈরোয়ননা ফাজিন্দুনা থল্লম্বা য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট অমসুং অতোপ্পা মেম্বর অমা লৈঙাক্না কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকখি। হৌজিক্তি য়ু এন সীনা মণিপুরগী মীয়ামদা পীখিবা ইকনমিক ব্লোকেদকী চৈথেংশিং অদু অয়াম্বনা কাউনখ্রে। অদুবু দিষ্ট্রিক্ট রোল বেক তৌ হায়বা দিমান্দগা মরী লৈননা চথখিবা ট্রাইপর্টাইট টোকতি হৌজিকসু লৈহৌরি। ইহান হানবা ওইনা ট্রাইপর্টাইট টোক অসি সেন্টরগী মীৎয়েং মখাদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখি। মদুগী মতুং তারকপদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা অনীরক পাঙথোকখ্রে। খ্বাইদগী কোনবা ট্রাইপর্টাইট টোকতা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা পোলিটিকেল দাইলোগ তৌনগদবনি হায়বা ৱাকৎ অমা পুখৎলকখি। ৱাকৎ অদুগী মতুং ইন্না ওগষ্ট ১১ দা মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎশিং য়াওবা টিম অমগা ইহান হানবা ওইনা পোলিটিকেল দাইলোগ তৌনবা হৌখ্রে। অহানবা পোলিটিকেল দাইলোগ অদুদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখালিয়ন, ত্রাইবেল এফ্যের্স এন্দ হিলস মিনিষ্টর এন কাইসী অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা লুচিংখি। ওফিসলগী মায়কৈদগী এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি (হোম) ডা. জে সুরেশ বাবু অমসুং কম্মিস্নর ৱার্কস কে রাধাকুমার য়াওখি। মীফম অদু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ হোম এফ্যের্সকী জোইন্ট সেক্রেটরি (এন ঈ) সত্যেন্দ্র গার্গনা প্রিসাইদ তৌখি।

স্কৱার কিলোমিটর ২৩,৩২৭ পাক চাওবা পীকখ্রবা মণিপুর হায়বা ষ্টেট অসি তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপ ৩৩ হেনবনা খুন্দারিবা মফম অমনি। মফমসিদা খুন্দারিবা নাগাশিংনা নাগাগীদমক্তা অপুনবগী প্লেটফোর্ম অমা শাগৎপা ঙম্মী। মতৌ অসুম্না মৈতৈ/মীতৈসু, কুকিসু, মৈতৈ-পাঙলসু মখোয়-মখোয়গী কাঙলুপকী মীৎয়েংদদি অপুনবা হায়বদু হৌজিকসু লেঙদনা লৈরি। মখোয়-মখোয়গী ওইবা কাঙলুপকী ওইবা ৱাফমদদি মখোয় মশেল পুনশিন্নে অমসুং চপ মান্নবা ৱাখল্লোনদা থবক তৌমিন্নে। অদুবু লাইবক থীবদি মণিপুর হায়বসি মখোয়গী মমা লৈবাক্নি হায়বা ঙমজদে। মণিপুরগীনি হায়রবদি মখোয়গী অপুনবগী শক্তম হায়বদু উথোকপা ঙমদে। মসিমক্না তাক্লিবদি মপাঙ্গল কনবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ৱাঙলুপশিং অসিগী লৌফম থোকপা থৌদাংশিং নিংথিনা লৌনদে হায়বনি। মসি ৱাখল থেনবনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই। ইমা লৈবাক মণিপুর হায়বসি চীংমী অমসুং তম্মীগীনি হায়বা খল্লবা মতমদতা মণিপুরদা তংদু-লৈতাবা ফীভম অমা শেমগৎপা ঙমগনি অমসুং চাউখৎপা মণিপুর ওইহনবা ঙমগনি। মরম অদুনা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা নৎত্রগা অতোপ্পা কাঙবু অমনা মখোয়গী ওইবা হোমলেন্দ, ষ্টেটহুদ দিমান্দ তৌরিবসি মীৎয়েং অসোমদা য়েংলগদি চুমদে। মশাগী ওইজবা ষ্টেট অমা লৈনা- লৈনা অতোপ্পা ষ্টেট অমা তানবা হায়বসি ৱাহন্থোক য়াওদে। মশাগী লৈঙাক্লোন লৈজরিবা ষ্টেট অসিদা তোখায়বা লৈঙাক অমা দিমান্দ তৌবা হায়বসিসু ৱাহন্থোক য়াওদে হায়না লৌফম থোকই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা দিষ্ট্রিক্ট ৭ রোল বেক তৌ হায়দুনা দিমান্দ তৌরিবসিগী পাউখুম মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা হাউসকী লীদরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা পীখ্রে। মদুদসু নত্তনা হাউসকী মপান্দসু নৌনা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ অমুক হন্না হন্দাকপগী ৱাফম লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। হাউসতা মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমনা পীবা ষ্টেটমেন্ট হায়বসিদগী হেনবা অমত্তা লৈতে। মরম অদুনা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগা মায়কৈ অহুমগী ওইবা ৱারী শানদুনা দিষ্ট্রিক্ট ৭ রোল বেক তৌবগী ৱাফম খন্নরিবনি হায়বসি য়াম্নমক ৱাহন্থোক য়াওদবা ৱাফমনি হায়দবা ঙল্লোই। লৈঙাক অসিনা চপ চাবা ফীরেপ অমা লৌদুনা লৈখ্রবা অমসুং মশাগী ফীরেপ অদু দিমোক্রেসিগী লাইশঙদা পুথোক্তুনা ৱাশকখ্রবা ফাওবদা মখা তানা দিষ্ট্রিক্ট রোল বেক তৌবগী ৱারী শানখিগনি হায়বসি চুমদ্রে। মদুগী মহুৎতা শেমগদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিশিং অসিদা এদমিনিষ্ট্রেসন হেন্না নুংঙাইনবা মীৎয়েং চঙলগা ইমা লৈবাক মণিপুর মপাঙ্গল কনবা, চাউখৎপা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা চীংমী-তম্মী খুৎশম্নরগা হোৎনমিন্নসি হায়জনিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

# দন্দিদি ৱায়েলশঙনা পীদৌরিবনি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***লৈঙাক*** অমা লৈনা লৈনা লৈতবদৌনা খন্নরকপা মীগী মশীং থিদুনা লোইবা নাইররোই। করিগুম্বা অমা তৌবদা লৈঙাক্না য়াবা অমসুং য়াদবা খন্থরুবা তৌদনা অনিংবা অপান্বদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়ানা বন্দ, ব্লোকেদ হেক্তমক তৌশিনবা, মতুং তাবদসু অদুমক তৌখিদৌরি। বলি কক্লমদাইগী হামেং মশেল ৱাইনবদৌনা অদুমক থোক্তুনা লৈরগদবা থৌদোক কয়া, মসিগী মাঙজবা অমসুং তোংজবা কনাগী ওইগদৌরিবা? ৱাহংসিমক ৱাখল ফজনা লৈরবা লমদমসিগী মীয়ামনি হায়রিবা মীয়ামশিংদা ইতৎ-তত্তনা হংববু য়ারবনি। মকন্থিনা মরন ফোইদৎলি হায়বগুম পূম্নমক্কী তোংজবা অমসুং মাঙজবা লৈঙাক্কীনি হায়সিরা? নৎত্রগা মীচম মীয়াম ঐখোয়গীনি হায়সিরা? পৈশা মমায় অনীদুগী মনুংদা অমদি শোয়দনা তারগদবনি। করম্বনা তাগদৌরিবনো হায়বদুমদি তয়াং তশোন্না হায়রুবা য়াবা নত্তে। অনীগী মনুংদা অমদি শোয়দনা ওইরগদবনি। অনীগী মনুংদা অমা হায়বসি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না লৈরিবা মখৈ অদুমক লৈরগদবনি। মসি কৈদৌনুংদা লাপথোক্না চৎখিবা ঙম্বগী পাঙ্গল য়াওদ্রবনি। নুংশিবগী মরীনা হিংলিঙৈগী মতমদা থাদোক্লবা ঙমদ্রবসু মোংফমদা কায়না বিদায় পীনগদৌরিবনি। মশা মউ ফরবা শবান, মুর্ত্তি চংখোল্লবা ফজরবা শক, থৱায় মানা য়াওদ্রবদা লফু মতুপকা অমহা ওইদৌরিবনি। মীওইবনা হিংলিঙৈগী মতমদা মরুপ-মপাং, ইচা-ইশু ময়াম অমা লৈদুনসু তাইবঙবু থাদোক্লবা নুমিৎতুদা অদুমক লোইরবনি। গীতা, চণ্ডী, বাইবল, কুরান, জেন অবেষ্টা, ত্রিপিতক পূম্নমকসি ফজনা খঙদুনা তাইবঙ শেন্বীবা মপূ মাগী তশেং তশেংবা মনাই ওইরবসু, শিবা হায়বসিমদি অদুমক শোয়দ্রবনি। কৈদৌনুংদা লৈথোক্তুনা, নাথৈদুনা লৈহৌবা য়াগদবা নত্তে। পূম্নমক তুংথা-মাংথাগী ৱানি।

শ্রীকৃষ্ণ, শ্রীরাম ফাওবা হিংলিঙৈগী মতমদা মখোয়বু শিংনবা লাক্তে করম হায়গনি। অমতা লৈহৌদনা মীয়াম হৌদুনা চৎপা, লৈহৌদৌরিবা মীওই খরদি য়াওদনিঙাই লৈরোই। খুদিংমক হৌদুনা চৎপা লাউবা খোঙবা মসিমা থাজবা ৱাৎলবনি। মীদি মী ওইনা লৈবদা মঙোন্দা কনা অমত্তা অদুনি অদানি হায়রক্লোইদবনি। শিদ্রবদি পোক্লরোই/পোক্ত্রবদি শিররোই। ৱাহে অমা অনীসি কনা অমত্তনা লাল্লি হায়বা ঙম্লরোইদবনি। মপোক্তুনা ফনা য়াম্না ফনা পোক্তুনসু হিংগদৌরিবা মহিংদুনা মওং-মরিল ইতা তানা হিংবগী আশা উদ্রবা মচিনমক্না নুংঙাইদা করম হায়গনি? শিখিবনা শিজখ্রবসু হিংহৌরিবা ঐখোয়সে করি করম তৌরগা হিংগদগে? অমগা অমগা করম্বা উপাইনা করম করম্বা লৌশিংনা নুংশিনহনগদগে? মসিমক ঙম্বদা কনাগুম্বা অমনা কনাগুম্বা অমদা চঙশিন্দুনা মনা লৈরুবদা নুংশিবনিনা করিসু হায়রক্লোইদবনি। নুংবু নুংশিনদ্রবা অফবা থবক ময়াম অমা তৌরুরবসু শিংথাবীগদবা নত্তে।

লম্বী লমখাংদা থেংনবা ফাওবা থম্মোয় থম্মোয়দা থরুম তৌনগদৌরিবনি। থকসি-খাসি, লমচৎ-শাজৎ লৈনরক্ত্রিবা, মীহাৎ-মীপুন হেনগৎলক্লিবা পূম্নমকসি ফংগদৌরিবা চৈরাক্তু থওইদবদগীনি হায়বদা চুমগদৌরিবনি। ফংগদৌরিবা দন্দিদুনা শাথিবা ওইরবা খরমখৈদি হন্থদনিঙাই লৈরোই। মতমসিগী মীরোলসিনা অখঙ অহে মশীং য়াল্লকপনা লৈঙাক ফাওবা করিসু লৈতনা খন্নরকপা, মসিনা মরম ওইরগা লৈঙাক্না য়েক্লবনি খন্নরকপা, মমৈদা অদুমক লৈঙাক্না চুমখ্রগদবা অওইবনি। কৈদৌনুংদা লৈঙাক্না মায়থীবা ফংবা থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি।

নূংগা য়েরুমগা ৱাইনবা, কাওনবদা য়েরুম্না ঙম্বা হায়বসি নুমিদাংদা নুমিৎনা থোক্কনি হায়বগুম থোক্কদৌরি। লৈঙাক কনাগীদমক লৈবনো? মীচম মীয়াম ঐখোয়গী নৎত্রা? ঐখোয়গীদমক লৈরিবা লৈঙাকসিনা মীচম মীয়াম ঐখোয়গীদমক ফত্তনবা তৌরমগনি হায়বসি থাজবদি ৱাৎলবনি। মীশিনা মশীং য়াম্না লৈদুনসু লৈঙাক্তি লৈবা তাবনি। লৈঙাক্না য়েক্লবা ওইরবা অফবা ওইনবগী লম্বীদি থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। ৱারী শান্নদুনা য়ানবা অমা পুরক্লবা হোৎননবা শিনবা মসিদগী হেনবা লৈত্রবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

# ইন্দিপেন্দেন্স দে ওফ মণিপুর ওগষ্ট ১৪, নীংশিংলকপদা!

**ওগষ্ট** থা অসি মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী মরুওইবা থা ওইনা নীংশিংনদুনা লাক্লি। ওগষ্ট ১৩ দা মরৈবাক্কীদমক থৱায় পোন্থা পীখ্রবশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা ষ্টেটকী থাক্তা অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। কুমজা ১৮৯১ দা মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্নবা বৃটিশকা শোক্নবা লানফমদা মরৈবাক মজাতিগীদমক ফাঁসি শগাই কাদুনা থৱায়না পোন্থা পীখিবা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোক্নখি। ওগষ্ট থা অসি মরুওইনা লৌনবগী অতোপ্পা মরম অমনা কুমজা ১৮৯১ দগী হৌনা বৃটিশকী মখাদা মীখা পোন্দুনা লাকখিবা মণিপুরগী নীংতম্বা নুমিৎসু ওগষ্ট ১৪ দা ওইখি। কুমজা ১৯৪৭ কী অহিং নোংয়াই পুং ১২ দা বৃটিশনা নীংতম্বা পীরম্বদগী নোং ঙান্দ্রিবা ফাওবদি মথংগী নুমিৎ লৌনরক্তবা মরম্না ওগষ্ট ১৪ অসিদা লৌনদুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী ওইনদি ওগষ্ট ১৪ গী অহিং নোংয়াইদা নীংতম্বা পীরল্লগসু ওগষ্ট ১৫ বু ইন্দিপেন্দেন্স দে ওইনা লৌদুনা লাক্লি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবদগীদি ওগষ্ট ১৫ অসি নীংখা তম্বা নুমিৎকী থৌরম ওইনা লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা ইম্ফাল ময়োল অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা পাঙথোক্নদুনা লাক্লি। ঙসিসু ধুম ধামগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরি।


খ্বাইদগী মরুওইরক্লিবদি ওগষ্ট ১৪ দা মণিপুরনা বৃটিশকী মখূৎতগী নীংখা তম্বগী থৌরম সিভিল সোসাইটিশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকপা হৌরকপা অসিনি। বৃটিশনা মণিপুরগী মীয়ামদা পীরম্বা নীংতম্বা নুমিৎ অসিদা মালেম পূবা পাফল য়েকপা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম পাঙথোকপা অসি মমুৎ তানা খঙদবশিংনদি এন্টি ইন্দিয়া নৎত্রগা এন্টি নেসনল ওইবা থৌরমনি হায়না লৌরম্বসু য়াই। অদুবু মদুমক্তি নত্তে। মণিপুর হায়রিবা লমদম অসি ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈ মমাঙদা মরোমদোম নীংতম্না, কনাগীসু মখা পোন্দনা লৈজরম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরম্মী হায়বদু নীংশিংবনি। মশাগী লোন, ময়েক, ফিরাল লৈজরম্বা লৈবাক অমা ওইরম্মী হায়বদুসু খঙহনবনি। অসিদসু নত্তে চীং-তম অনীনা পূনশিন্দুনা শেম্বা, মশাগী তোপ তোপ্পা পুৱারী চহী ২০০০ হেনবগী লৈজরক্লবা লমদম অমনি। য়েক্লবশিংগা লানথেংনদুনা মতম মতমগী পাল্লম্বা নিংথৌশিংনা মশাগী ঙমখৈ ঙাক্তুনা থল্লম্বা লমদম ওইরম্মী হায়বসি মমুৎ তানা খঙদবা মপান লমগী মীওইশিং অমদি লমদম অসিগী নৌনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদসু ৱাখল তাহনবনি হায়না লৌবসু য়াই। মরৈবাকপু নুংশিজবা মপারি-মমোম কয়ানা হৌখ্রবা পুৱারীগী খোঙ্গুল লিরক্তুনা থৌরম অসি পাঙথোক্লরকপা অসি পীকখ্রবা মীশিং য়ামজখিদ্রবা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ মচা মচাশিংনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগায়দুনা তোঙান তোঙান তাগে হায়বগী খোঙজং চঙশিন্নরকপশিংদসু ৱাখল তাহনবনি। মতম অমদা মণিপুরগী পাক চাওবা অসি স্কোয়র কিলোমিটর ২২,৩৫৬ ওইরম্বদগী ২২,৩২৭ তা হন্থরকখ্রবা লমদম অসিদা পাল্লম্বা ইনিংথৌ মৈদিংঙু বোধচন্দ্রনা কুমজা ১৯৪৭ কী ওগষ্ট

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৫০

**জিতেন নামৈরাকপম**

১৪ দা কংলাদা চিংখৎখিবা মালেম পুবা পাফল তোংবা পেত্রুক লৈমচুগী ফিরাল চিংখৎলম্বগী মতৌ চহী খুদিংগী অদুমক উৎপা হায়বসিসু য়াম্না মথৌ তারি। নাগা, কুকি, মীতৈ, মৈতৈ, পাঙল পূম্নমক্কী অপূনবা মণিপুরনি। ফুরুপকী মীচং খোম্নদুনা কাঙলুপ নাইবা ওইহন্নবা হোৎনবা হায়বসি অফবা অচুম্বা লীচৎ নত্তে।

তোঙান তোঙানবা ফুরুপ ৪০ রোম্না খুন্দাবা মণিপুর অসিদা মশা মশাগীদং খঞ্জবা ফুরুপ খরনা মীচং খোমজিন্দুনা মণিপুর থুগায়নবা শিল্লকপা হৌজিকসু লেপত্রি। তোঙানবা নাগালেন্দ অমদি তোঙানবা কুকিলেন্দ মণিপুরদগী খায়দোক্তুনা শেমখ্রগে হায়বগী দিমান্দদা মীশি মীনা কয়ারক থোকখ্রে। তোঙানবা নাগালেন্দ অমগী মঙলান্দা গ্রেটর নাগালেন্দ, সাউথ নাগালেন্দ, সুপ্রা ষ্টেটনচিংবগী তোঙান তোঙানবা দিমান্দদা অলটর্নেটিভ এরেঞ্জমেন্ট অমা শিনবীদুনা মণিপুরদগী সেনাপতি, উখুল, তমেংলোং অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ককখিনবা লাল্লোংদা ৱারী শান্নবগী থবক চথরকপা চহী ২০ ফারক্লে। কোংগ্রেস লৈঙাক্কী নরসিমহা রাউনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদগী চথরকপদুনা হৌজিক পাল্লিবা শ্রী নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্কী মতম অসিফাওবদা চথরকপনা খুমাঙ চাউশিল্লক্লে হায়রি। মণিপুর কায়নবা ৱাফম অমত্তা য়াওদেদি হায়রগা মীয়াম্না চিংনবদি লৈরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱা হৌজিক ফাওবা ফোঙদোক্ত্রি। এন এস সী এন (আই-এম) গী য়াথং মখাদা থবক পায়খৎলিবা য়ু এন সীনা লেপখিবা খোঙফম হন্দোক্লোই হায়না চপ য়ুংনা লেপলি। মমাঙগী গভর্ণমেন্টকী মতমদা ৱারেপ লৌদুনা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্টশিং হন্দোক্কদবনি হায়বসি মখোয়গী ফিরেপনি। দিষ্ট্রিক্ট খায়দোকখিবদা মখোয়দা খ্বাইদগী হেন্না শোক্লিবা অসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী কাংপোকপী খায়দোকখিবা অসিনি। সদর হিলস হায়রগা খঙনরম্বা কুকিশিংনা নম্না তাবা এসেমব্লি কন্সষ্টিট্যুএন্সি অহুম লৈবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট অসি নাগাগী লমনি, নাগাখক্তগী টেরিটোরিনি, কুকি নৎত্রগা নেপালিশিংনা কোনথংদা খুন্দাশিল্লক্তুনা নাগাগী লম মুনখিবনি হায়বসি মখোয়গী ৱাখলনি। দিষ্ট্রিক্ট লাউথোরকপদা পূক্লিং তিং লাউনা শোকখিবা মপি তাদুনা কপখিবসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট শেত্তোকখিবা অসিনি। মসিদনি নাগাশিংনা মৈ হৌনা শাওরিবসি। জিরিবামসুনি, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট লাউথোকখিবদসু তমেংলোংগী শরুক খরা ককখ্রে, সোমদনা কুকিশিংনা মখোয়গী শরুক খরা শোকখ্রে, শোমদনি পুকচেল পীকপগী ৱাখল চেন্নরক্লিবা অসি। দিষ্ট্রিক্ট খায়দোরক্লিবা অসি লৈঙাক্কী থবক থৌরম পাঙথোকপদা মীচম মীয়ামশিংদা চাকথুং মপূং ফানা ফংহনবা ঙম্নবনি, খুদক খুদক্কী ওইবা থবক থৌরম মনুং হুৎনা য়ৌশিনবা ঙম্নবনি, মীচম মীয়ামগী নুংঙাইনবনি হায়বসি কয়ারক হন্না হায়রুরগসু ৱাখল তাদবা মী য়াম্না লৈরি। মণিপুরদা নাগাগী লমনি, কুকিগী লমনি, মীতৈগী লমনি হায়বা লৈতে, তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ামরুম্না পূনশিন্দুনা শেম্বা অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়বগী ৱাখলদা লৈরক্লবা লমদমনি হায়বসি কয়ারক হন্না লাউরগসু ৱাখল তাদবা মীওই য়াম্না লৈরি। কুকিসুনি, অপীক অপীকপা ত্রাইব কয়া খোমজিল্লগা কুকি ফুরুপ্তা চলহল্লগা তোঙানবা কুকিলেন্দ অমগী দিমান্দ তৌখৎলক্লি। চুড়াচান্দপুর, চান্দেল অমদি সদর হিলসকী শরুকশিং পূনশিল্লগা তোঙানবা কুকিলেন্দ অমা শেল্লগা মণিপুরদগী তোঙান তাগনি হায়বসিসু কুকি খুজোক খরগী মঙনি। চুড়াচান্দপুরসি ফক্তুৎখ্রগা মিজোরামদা তিঞ্জখ্রগে হায়বা কুকি কাঙবু খরসু য়াওরি। পুৱারী নিংথিনা খঙদবা থংনবা লৈবাক্তগী রিফ্যুজি ওইনা চেল্লক্লগা মণিপুরগী চীংমায় কোকথোক্তুনা খুন্দাশিল্লগা মখোয়গী মপা মপূগী লমনি কায়দনা কংয়েৎ য়েৎপশিংসু য়াওদবা নত্তে। মখোয়শিংদুগী খল্লুরগা নোক্লিংবা ফাওই। নাগাগী মীহুৎ, কুকিগী মীহুৎ, মীতৈগী মীহুৎ অমদি মীতৈ পাঙলগী মীহুৎ ৬০ না পীকখ্রবা মণিপুর অসি লৈঙাক্লি। মসিগী মথক্তা ত্রাইবেলশিংগী হেন্না য়াইফবা ত্রাইবেল ৱেলফ্যের, চীংমীশিংতনা শেমজবা তোঙানবা বোদি অমদি মাইনোরিটিশিংগী ওইনসু তোঙানবা দিরেক্টরেট লৈরিবা শেঞ্জাউ থাদদুনা চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎলিবসিগী মথক্তা সিক্স সেদ্যুল অমুক তানখৎলক্লি। মতাংসি য়ৌরকপদদি নীংঙাই তৌগনবা অঙাংনা ঙামোক য়াম্না চায় হায়বগী মহুত্তা খুপাক য়াম্না চায় হায়বগী ফীভমদু শোয়দনা লাক্কদ্রা খল্লি। ওইসু ওইররোইদবা দিমান্দ অমগীদমক মতম মাঙহনবা, মীয়াম্বু ৱাহনবা, মীশি মীনা অসুক্কী মতিক থোকহনবগী মথক্তা লন-থুম কয়া মাঙহনবসি ওন্থোক্না পাম্মুখ্রে। অদুগী মহুত্তা ঐখোয় পূম্নমক অমত্তা ওইনা পূনশিন্নদুনা তোঙান তাবগী ৱাখল থাদোক্লগা হেন্না চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইরক্লবগী মায়কৈদা কোক থাদমিন্নরসি।




# তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌ শাফোংলে - ২

ৱাখল ইহুল

**আচার্য্য সোরাম ইবোহল**

**থৌবাল** দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাইথৌ চীংগোনগী লোইশিল্লকপা থৌবাল কৈথেললোমদা হাইগৎলকপগী তাঞ্জেং হায়নবা মফমদুগী য়েৎথংবা খুন তাবা লম্বীদা মনুং খরা চঙশিল্লগা লৈবা খুন অদুদা হৌখিবা জুন ৯, ২০১৭, ইঙাগী থানিল, ইরাই নুমিৎতা শাফোংখ্রবা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী নৌনা শারিবা শঙলেনসিগী মনাক্তসু অচৌবা তাইরেন পাম্বী অমা হৌরি। শেমগৎপা হৌরকপদা ঙাইরিবা ওইরবসু হেক উবদা অমদি য়েংবদা লাই লৈফম ওইগদবা মফম ওইনা তৌই। লৈবাক মীয়াম্না তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী মকায়ফমদা খোংদোয়রগা কৎচনীংবা হৈরাং-লৈরাং, অনৌ-অপেন, চেঙবী-চেঙবানচিংবা হৈজরগা ইপুধৌগী মফমদগী খঙজনীংবা পাউতাক, লৌজনীংবা পাউজেল লৌরবা য়ানবা, খুদোং চানবগীদমক তাঞ্জেং লমলেন্দা লৈরিবা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী শঙলেন থোং থা খুদিংগী ওইনা থানিল (পুর্ণিমা) নুমিৎতা হাংগনি হায়না ইপুধৌগী পাউজেল্লোই ওইবিরিবী লাইশ্রম মমতা চনুনা লৈবাক মীয়ামদা পাউজেঞ্জরি হায়নসু পাউদমবিনবা সেগা রোদ তখেল্লম্বম লৈকায়দা লৈবা অইবা ঐঙোন্দা, অহানবা ফোঙখিবদু পারুবশিংনা লৈফমসু য়াওনা মথং ইরকপদা হাপ্পীরক্নবা হায়বিরকখিবা লৈ। অহানবদসু পঞ্জখ্রে মদুদি শাফোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রবসু লৈবাক মীয়ামদা ফোঙদোকপদি ইশু ইবুংঙো (ফম্বাল কারিঙৈদা) পাবুং (ফম্বাল কাদ্রবা মতমদা) না তৌবিয়ু হায়রকপগী য়াৱা মতুং ইন্না তৌজখিবনিনা মতুং তারকপা য়াৱাসু হিক্তোকচগে খঞ্জদে। অতৈ মতমদনা ককৱা লিলান্দো লম্পাক্কী মমাঙ পাংনা হাইগৎখিবা লম্বীগী য়েৎ থংবদা উকু মচা অমা লৈবদুদা খজিক্তং হাইজিল্লগা মনুং খজিক্তং চঙলগা লৈবা য়ুমগীদা হৌজিক হৌজিক শঙলেন শঙ শাদুনা লৈরিবসিদা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী পাউতাক পাউজেল লৌবিবা য়ানবগী মতাংদনা অসুম্না অমুক পনবিরকই। ইপুধৌগী শাফোংবা মায় পাক্লবা মতুংদগীদি অশেংবা খুমন ইপুধৌগী মশক তাক্লবা অমুবা ফিজোল শেৎপা ওগষ্ট ৯, ২০১৭, থৱানগী ১৭নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতগী হৌখ্রে। য়ূমশকৈশা নুমিৎসি হৌজিক্কী ওইনদি ইপুধৌগী পোথাবা নুমিৎ ওইবনা লাইগী থৌরম লৈরোই। নিংথৌকাবা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা হঙ্গামপাল মচু, লৈবাকপোকপা হান্না মতম খরা ইপুধৌ পোথাবগী নুমিৎ ওইরম্বসি য়ূমশকৈশা খুদিংগী পোথাবা নুমিৎ ওইখ্রবনিনা, লৈবাকপোকপা ইপুধৌগী থৌরম ওইরগদবা নুমিৎসিদনা অমুবা মচু অদুগা অতৈ মতমদনা অঙাংবা মচু থোল্লগা লৈবাক মীয়ামগী য়েংলগা থৌরম থৌদা পাঙথোক্লবা অকনবা পাউতাক পীবিরকখি হায়নসু পাউদমলকই। মখা তানা অমুকসু তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা তাকপীরকখিবদি হৌজিক ফাওবদা ইপুধৌগী মকায়ফমদা য়েক তরেৎকী ইয়েকচা মশীং শুনা লাক্ত্রিবনিনা অঙাংবা ফিজোল শেৎখিবনি, অদুদগী হঙ্গামপাল মচু শেৎকদবনি হায়বগী ইঙ্গিৎতি খুমন ইপুধৌনা কংলা ফমেন কারক্কনি হায়বসিনি। য়েক তরেৎকী ইয়েকচা মশীং শুনা ইপুধৌগী মকায়ফমদা পুল্লরবা মতমদদি অমুবা ফিজোল ওইনা অদুম শেৎলগনি। মসিদগী অইবনা খঞ্জবদি য়েক তরেৎকী থৌগায় পুবা ঙমগদবা ইয়েকচা লৈবদি লৈরে অদুবু পুনশিনবদি ঙমদ্রিবনিনা হান্নগী খুন্নাইলোমদা হঞ্জিল্লক্লবগী মতম খরদি চঙখিগনি, পংশাং শাংবা মতমদি ওইররোই হায়বসি ওইগদ্রা হায়রুবদা ৱাফমসিমক অচুম্বনি হায়রকখি। মতমগী খোঙলৈনা পুরকপা অওনবদা অহিংবা খুন্নাই অমা ওইগে হায়রবদি অহোংবা/অওনবা খুন্নাই অমা ওইবগী মতিক চাবা মচাক শুনদি লৈফম থোকই, তুমিন্না লৈথোকপদি চুম্লোই।

হৌখিবা জুন ৯, ২০১৭, ইঙাগী থানিল, ইরাই নুমিৎতা শাফোংবগী থৌরমগী মখা চথরকপদা, তাঞ্জেং লমলেন্দা নৌনা শারবা শঙলেনগী মমাংদা ইপুধৌ খুমনগী হিয়াং হিরেন থেন্দুনা লৈবসিগী মমাঙদা মাইবী অহলনা য়েৎতা মাং চিংলগা - ইপুধৌগী ওইনা অদুগা পেনা খোংবনা ওইদা মাং চিংলগা - ইবেন্ধৌগী ওইনা পরেং অনী থোক্না মাইবী, লৈশাবী, মৌ ময়াম অসিনচিংবনা লাইমাং অমদি হিয়াং হিরেনগী মমাঙদা মখোয় ময়াম পূন্না জগোয়গী খূৎথেক কৎচৈ। মসিগী মতুংদা হান্না হিয়াং হিরেন পুদুনা লাকখিবশিংনা হিয়াং হিরেলদু অমুক পুরগা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা তাকপীবা তাঞ্জেং পাৎকী হিয়াং হিরেলদু থাদগদবনি হায়বা মফমদু তান্না চৎলমদাইদা ইপুধৌগী পাউজেল্লোই ওইবীরিবী লাইশ্রম মমতা চনুনা য়েক সলাই ৭কী ফিরাল অমা পায়রগা ইপুধৌগী হিয়াং হিরেলগী ওইদা লেপ্পগা ঙহাক লৈ। অদুদগী হিয়াং হিরেল পুগদবশিংনা (অশেংবদি য়েৎ তরেৎকী ইয়েকচানা) পুরগা চৎপদা তাইরেল পুংফাইগী লহৈফু পুবা মাইবা অমনা মাং থারগা লাইজ খিকফেন চাইদুনা শেংদোকপগী হেক মতুংদা পেনা খোংবা অদুগা থাঙ পায়বা তম্বা নিপা অনীগী মরক্তনা মমতা চনুনা চৎলি। অদুদগীদি তাঞ্জেং পাৎ ময়া য়ৌশিল্লক্লবা মতমদদি মমতা চনুনা য়েক সলাই ৭কী ফিরাল পায়রগা মাং চিংদুনা চৎপদা হিয়াং হিরেল পুবশিংদি ঈশিং লৈবা লৌবুক (করিগুম্বা মফম খরদদি ৱাশা-চৈ য়ুংদুনা লৈরম্বসু মী খরনা লৌথোকপা উই) ফাওরগা য়াম্না ৱানা চৎলি।

হিয়াং হিরেল থাদফমদু পাৎ ওইনা তৌবা মফমদুদা অহানবদা অমাইবীনা লাইজ ইমায়দা চেঙ খরা থাদদুনা কোময়াই চল্লি, হিদেন মফম চাবা (খোংহাই চাবা) য়েংলগা মপান্দা হিয়াং হিরেন্দু থাংদুনা থমই। তাঞ্জাদুদা ইপুধৌগী হিয়াং হিরেলদু লাইজ ইমায়দা থাদগদৌরে হায়না খল্লুবা মিকুপ্তা 'মপূক্লিংদা খঙহৌদনা ইপুধৌগী মফমদা নুংশিজবা ৱাখল ফাওরকখিবদগী লাইজ ইপান লাংদ্রিঙৈদা ইপুধৌগী (হিয়াং হিরেলগী) মশাদা পাউজেল্লোই ওইবিরিবী মমতা চনুনা চেজেৎনা (কন্না) কোনশিনজবনি, মপূক্লিংদা ইপুধৌনা ফাওহল্লকপা ইথিলদগী তৌখিবনি হায়না অইবনা কেসেটতা উবদুগী ৱাহন্থোক করি লৈবগে হংবদা মথক্কী অসুম্না মমতা চনুনা পাউদম্লকখি। মতমদুদা মমতা চনুনা নৌনা ইপুধৌগী পাউজেল্লোই ওইরকঙৈদা লমজিং লমতাকপীবা ওইরকখিবা মরম অমদগী ইতৈ হায়না কৌবা অমনা মমতানা হান্না পায়রকপা য়েক ৭কী ফিরালদু ঙহাক পায়রগা মনাক্তা লেপ্তুনা লৈরগা, মমতানা অমুক পায়রবা মতুংদা মতৈ কৌবদুনসু হিয়াং হিরেনগী মকোক্তা খূৎনা শোক্লগা খুরুম্বসু উখি।

মসিগী মতুংদা লাইশ্রম মমতা চনুনা হিয়াং হিরেন থাদফমদুগী মফম চাবা লৈরাই অমদা নিংগাং ফমথরগা ঈশিং খুজোক অমা লৌরগা (কল্লগা) ইপুধৌগী কোকথক্তা তপ্না কৎপা, মখূৎনা য়েক ৭কী মচুশিং য়েকপা ঙকশমগী মপাদগী মখূৎনা নানখৎলগা খুরুমজবা উখিবদুগী করি মরম লৈবগে, মদুগী ৱাহন্থোক করিনো হংবদনা 'য়াইবীরেল শিদবা য়াওরগা লাইজ ইপাল লাংজবনি। য়েক তরেৎকী ইয়েকচা মশীং শুদ্রিবনিনা লাইজ ইপাল মপূং ফানা লাংদবনি, অদুগা খূৎনা লানখৎপগী মরম অমদি ৱাহন্থোক্তি য়েক তরেৎকী মচু য়াওবদুনা ইপুধৌ মশাদগী থোকপা/পুথোকপা য়েক তরেৎনি হায়বদি তাইবঙচাশিংসি খুমন ইপুধৌনা পুথোকপীবনি' হায়বা অসিনি।

মতাং অসিদা অইবনা পঞ্জনীংবদি লাইনীং লাইশোন অমদি লাইনীং পরৈগা মরী লৈনবা মতাংদা ইরমদমগী ওইনদি মরুওইনা নুংগী ইচেল হায়বা অমা, পলগী ঈচেল হায়বা অমা অদুনা 'নুং-পাল' হায়দুনা লৈবসিনা তরায়না হেক্তা লৌবা য়াদে। কেসেটতা য়াওবদু কনাগুম্বা অমনা য়েংবদা নুংঙাইবা নুংঙাইতবা ফাওবা/খনবা য়াই। মীৎনা য়েংবদা নুংঙাইবা ওইরগনা নুংঙাই ফজৈ হেক্তা মহায়নীংবা মতাংসু য়াওদবা নত্তে। তায়োন্নবা ওইরগনা মমল লৈতনা লৌনীংবা/খনবা মশানা তাবা পোৎনি। মরম অসিদগী অমুক থমজনীংবা ৱাফমদি পোৎ পোৎকী মতুং ইন্না মনুংগী ওইবা মতিক ময়াইবু থাঙ্গৈশেংনা উবা নৎত্রগা থাগৎপা ঙল্লবদি ইচম চম্না য়েংবদা/উবদা নুংঙাইবা অমদি নুংঙাইতবা অনীমক্কী মহাও ফংবা ঙমগনি। নুং অমসুং পাল অনীমক তুনা খঙদুনা উবা/য়েংবা ঙল্লবদি ফবদা হেন্না ফবগী ৱানি। লুরিবদি নুংগী ৱাহন্থোক খঙবা নৎত্রগা খঙনবা হোৎনবসিনি। নৈনবা, থিজিনবা, কুপশিন্না খঙনবা হোৎনবা অমদি খন্থবা অমদি চঙফম থোকই। পাউরৌ ওইনা হায়নবা অমদি 'শায়র শায়রগা ওইনম্মী'।

অনীশুবা তাঙ্ককসিগী ওইনা থমজনীংবা ৱাফম অনীদি - অহানবদা হান্না ইপুধৌগী পাউজেল্লোই ওইবিরিবী মমতা চনুগী ককৱা লিলান্দো লম্পাক্কী মরান য়াইদগী শাফোংবা লাকপা/চৎপা মতৌ অদুগুম্না লমলেন তাঞ্জেংদগী চপ মান্নবা মওংদা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী হিয়াং হিরেন অমুক পুরগা হল্লকখিবা, অনীশুবদনা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌ হৌখিবা জুন ৯, ২০১৭, ইঙাগী থানিল, ইরাই নুমিৎতা শাফোংখিবগী মপূং ফারবা কেসেট ভোল্যুম অনী থোক্না কলরদা নম্বা কেসেট ককৱা কৈথেল (বজার) দা লৈবা রোবিন এলাইজ মঙালগী কেসেট অমদি ফোনগী পোৎলমশিং য়োনবা দুকান্দগী ফংবিগনি হায়নসু মীয়ামগীদমক পাউদমবিনবা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী পাউজেল্লোই ওইবিরিবী লাইশ্রম মমতা চনুনা অইবদা ফোঙদোকপীরকপশিংসিনি।

মথংগী তাঙ্কক্তদি ইপুধৌগী মতিক ময়াই করম্না মমতা চনুদা খঙহল্লকপগে, মখল মখাগী চৈথেং কয়াম ফংখিবগে হায়বগী মতাংদা পাউদমজগে।

'তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা য়াইফরে'।